ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



এমেথিস পার্টনরস সিঙ্গাপোরগী ফাউন্দর য়ুম্নাম সনাজাওবা অমসুং এম য়ুগী রিছর্স এন্দ দিভেলপমেন্ট সেলগী দিরেক্টর প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহলনা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল কনক্লেভতা শরুক য়াবা


লৌশিং পূক্কে : য়ুম্বান মরীদা অকায়বা লাকহন্দনবা... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ য়াওশঙ মপং মপং

অঙাঙবা কুরাও মপাল উরুবদা নীংশিংলকই মতম... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লোনা মহাক্কী পান্দম ফংনবা...

মোদিনা য়ু এ ঈদা ইরাননা চথরকখিবা এটেক কন্দেম... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে...


শিজ একাদেমি ওফ হেল্থ সাইন্সেসকী ষ্টুদেন্টস কাউন্সিলনা রিয়র দিজিজেস দে থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপা ভোলন্টরি ব্লদ দোনেশন কেম্পতা মহৈরোয়শিংনা ঈ পীখিবা



Vol. 50, Issue No. 324 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, March 03, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## আইআরবিগী ১০ অমসুং ১১শুবা বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংগী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারীগী তোলোপ লৈঙাক্না শোৎলল্লে

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৪দা লৌথোকখিবা মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুলগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্না পুলিস দিপার্টমেন্টকী মখাদা ১০ অমসুং ১১শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি) নৌনা হাংদোক্তুনা বট্টালিয়ন অনী অসিগীদমক চত্থখিবা রিক্রুটমেন্টগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা অসামদা ফাওবা ট্রেনিং তৌহন্দুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লবসু বট্টালিয়ন অনী অসিগী পর্সনেলশিংদা লৈঙাক্না পীথোকফম থোকপা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থা অনীগী পেশিং পীথোক্ত্রে হায়রি।

হৌজিক বট্টালিয়ন অনী অসিগী মখাদা ট্রেনিং মপূং ফানা লোইরদুনা মথৌ পাঙথোরক্লিবা পর্সনেল খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না য়াওশঙ কুম্মৈ অসি মণিপুরগী ওইনা অচৌবা



কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমনি। অদুগা কুম্মৈ অসি হয়েংদগী হৌগদৌরিবনি। অদুবু কুম্মৈ অসিখক্কী ৱাফম নত্তনা ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বিগী

### মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্টকী অতৈ য়ুনিট খরদা পীরবসু বট্টালিয়ন অনী অসিগীদি 'থর্টিস্থস মন্থস পে'সু পীরমদ্রে

পর্সনেলশিংদা পীথোকফম থোকপা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারীগী পে হৌজিক ফাওবা পীথোকপীদ্রে হায়রকখি।

থা অনীগী পে ফংলক্ত্রবা পর্সনেলশিংগী ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল অপুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু পাউচে অসিগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী ফংফম থোক্লবা পেশিং অসি পর্সনেল মশা-মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংগী খূত্থাংদা পীরকপনিনা ঙসি নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা পীরকপসু য়াই হায়খি।

অদুবু ৱাফম অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জোমিশিংনা তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তাল্লকপগী মতাংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর দিখোনা জেদ সী সীগা ক্লোজ দোর মীটিং পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা মাও বাপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকপা চর্চ অসিগী থিওলোজিকেল কোলেজ অমসুং ল্যুমিনরিগী ১০রকশুবা গ্রেজুএশন সর্ভিসতা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ঙসি মহাক্না চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা জোমিশিংনা মখোয়গী তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট পীয়ু হায়বা য়াওনা অতৈ দিমান্দশিং তাল্লদুনা লৈখিদ্রবা এম এল এ ভুংজাগিন ভালতেগী হকচাং লৈরোল চল্লোই হায়দুনা লৌরকপা ফিরেপকী মতাংদা ৱারী শানরুগনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা জোমি কোওর্দিনেশন কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা ক্লোজ দোর মীটিং পাঙথোক্তুনা ৱারী শানখ্রে।



লৈখিদ্রবা এম এল এ ভুংগাজিন ভালতেগী হকচাং ফেব্রুৱারী ২২,২০২৬তা মিজোরামগী লেংপুই এয়রপোর্টতা পুরকখিবদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা (ফাইল ফোটো)

ঙসিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা নৌনা শেমখিবা জোমি কোওর্দিনেশন কম্মিটি (জেদ সী সী) গী ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংনা মীদিয়াদা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা ভুংজাগিন ভালতেগী য়ূমদা লাক্তুনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা উন্নখি অমসুং অৱাবা ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি এম এল এ অসিনা লৈখিদবগীদমক থা অমা চূপ্পা জোমিশিংনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লিঙৈগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা য়াওশঙগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না হয়েং লমতাগী থানিল নুমিৎতগী পাঙথোক্কদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈগী মাঙওইননা গভর্ণর এ কে ভল্লানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### য়োৎ পুরকপা ত্রক মৈ থারল্লে, চিংনবা ১ ফারে



**ইম্ফাল, মার্চ০২ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না এন ঐচ-২দা য়োৎ পুরকপা ত্রক এন এল-০৭/এ এ-২৮৬৩ মরাম পি এসকী মনুং চনবা কবিনম ভিলেজ অমদি লাইরৌ চীংগী মরক্তা শকখঙদবশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ অমসুং এম এল এ, টি ঐচ ৱাধেশ্যামনা লোক ভবনদা গভর্ণরগা উন্নখ্রে





**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৫দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ঙসি ইম্ফালদা অমুক হল্লকখ্রবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ইম্ফালগী লোক ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণরগা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণরগা মিনট ১৫ রোম উন্নদুনা ৱারী শানখি। অদুম ওইনমক করি-করম্বা ৱাফমদা ৱারী শানখিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে। মসিগী মতাংদা লোক ভবনগী মায়কৈদগীসু ওফিশল ওইবা চেরোল অমত্তা থোরকখিদে।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ৯দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মখা তাবা মীফম চত্থনবা থৌরাং তৌরকপগা ইরোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণরগা উন্নবা ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসি মমাঙ থাগী ৪দা ৱাশক লৌখ্রবসু হৌজিক থা অমা ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী অমসুং মিনিষ্টর অনীনা পুগদতবা পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোক্তবনা করিগুম্বা এসেমব্লি মীফম চথরক্লগাদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লোনা য়াদবা থবক তৌরকপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি : সুরচন্দ্র

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :** লোনা য়াদবা থবকশিং নীংথিজনা হায়বীগদবনি, হায়বদা য়াদ্রগনা লোনা য়াদবশিং তৌরক্লিবশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না এক্স এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাউমী খরগা উন্নবদা মহাক্না হায়, হায়ৱেদা মীপূম খুদিংমক ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনবা হায়বসি লোনা অয়াবা পীরিবনি, মীওইবগী হকনি। কনাগুম্বনা থিংলিবা অসি তৌবীদবা ফৈ। লো এন্দ ওর্দর অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী সবজেক্টনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা পব্লিক ওর্দর অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী সবজেক্ট ওইবনিনা দেল্লীগী লুচিংবশিংগা তান্নফম থোকপশিং তান্নগদবনি। মসিদি নত্তনা মীয়াম্বু ঙাায়োক চফুদা ...মখা লমায় ৮ কলম ৭



Resolve your court cases & other legal matters through

National Lok Adalat

Lok Adalat is also known as People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied.

A settlement through a Lok Adalat is completely voluntary and is a final settlement of your case. There is no appeal against the decision of a Lok Adalat. It is absolutely free.



2nd Saturday
14th March, 2026

Contacts :

MASLSA : +91-9436239666
HCLSC : +91-6009904973
Imphal West : +91-6009904967
Imphal East : +91-6009904974
Bishnupur : +91-6009904968
Thoubal : +91-6009904965
Ukhrul : +91-6009904972
Chandel : +91-6009904966
Senapati : +91-6009904969
Churachandpur : +91-6009904970
Tamenglong : +91-6009904971

CASES Suited for Lok Adalat

- Cases under Section 138 NI Act
- Family Maintenance Cases
- Electricity, Water Bills and other bill payments (excluding non-compoundable)
- Land Acquisition cases pending before courts/tribunals
- Labour, Employment and Service Matters
- Money/Bank Loan Recovery
- Motor Accidental Claims
- Matrimonial disputes (except divorce)
- Criminal Compoundable offences
- Other Civil cases
- Revenue cases

Issued in public interest by:
Manipur State Legal Services Authority
Under the aegis of National Legal Services Authority
ADR BUILDING, LAMPHEL COURT COMPLEX, LAMPHELPAT-795004
+91-9436239666 maslsa.imphal@gmail.com

## এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা পর্সনেল ৭০৬ লৈগদবদা ১১৩ খক্তমক লৈরবসু চীফ মিনিষ্টরনা লোয়শঙ অসিগী বোলেরো কেম্পর ৫ লমথাখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী রেভন্যু/ইনকম খোমজিনবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা সেঙ্কশন পোষ্ট ৭০৬ ওইরবসু হৌজিক লৈরিবা প্রজেন্ট ষ্ট্রেঙথনা ১১৩ খক্তমক ওইরবসু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লোয়শঙ অসিনা য়ু লল্লোন-ইতিক তৌবা অমসুং ময়াই কাবা চীঙাক অসিগী মায়োক্তা দ্রাইভ চত্থবদা শীজিন্ননবা



মহিন্দ্র বোলেরো কেম্পর ৫ ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মহাক্কী সেক্রেটেরিএটগী লমথাখ্রে।

গাড়ীশিং অসি লমথারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা গাড়ী মঙা অসিনা ইল্লিগেল লিকরশিং ফাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

অদুগা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এক্সাইজ দিপার্টমন্টেকী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর এন জি রাজেসনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা মহিন্দ্র বোলেরো কেম্পর ৫ অসি ষ্টেট প্লানদগী লৈবনি। গাড়ীশিং অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা লমথাবীবা অসিমক লাইবক ফবনি। গাড়ীশিং অসিনা লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা য়ু শুংবা, য়ু লল্লোন ইতিক তৌবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী ওইনা ষ্টাফ ৱাৎপনা এনফোর্সমেন্ট চত্থরকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### শগোল কাংজৈগী মতাংদা হকচিন্না য়েংশিল্লগনি : কে সী পি

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ :** কংলৈপাকপু মালেমদা শক তাক্লিবা শগোল কাংজৈনা লমদমসিদা চাওথরক্লিবা অসিগী মরমশিং অমসুং মশান্না অসিগা মরী লৈননা এসোসিএশনশিংগী থবক থৌরমশিং অমদি চৎন-কাঙলোনশিংবু স্পেশল কম্মিটি অমগী খূত্থাংদা হকচিন্না য়েংশিল্লগনি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স দিপার্টমেন্ট) এম পূন্সিবা মৈতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

### মরী লৈনদে : প্রিপাক-প্রো

**ইম্ফাল, মার্চ ০২:** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল নীংশিংবগী চেরোল অমদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২৬তা মণিপুর পুলিসনা খুমন লম্পাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মখা তানা ৱারী শান্নররোই : কে সী পি-অপূনবা

**ইম্ফাল, মার্চ ০২:** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - অপূনবগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পূন্সিরোল মৈতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা দিপক এলিয়জ ইবুংঙো অহকপা চৈরাক পীরগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'হুইয়েন লানপাউ' গী ফাউন্দর এদিটর সলাম ভারত ভুষননা অনা ফমুংদা লায়কন্নরবসু পাউচে অসিবু থাগৎলক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস) :**

'হুইয়েন লানপাউ' পাউচেগী ফাউন্দর এদিটর সলাম ভারত ভুষননা মশা ঙল্লক্তবদগী শগোলবন্দ এ সীগী পি ঐচ সীদগী হৌরদুনা রিমসনচিংবদা মথং-মথং লায়েংলক্লবা মতুং খাবৈশোইদা লৈবা অমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট (এ ও আই-ববিনা স্পেসিএলিটি এট ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল) দা ওপরেশন তৌদুনা লায়েংলক্তুনা অনা ফমুংদা লৈরবসু থা অসিগী ১৬তা





গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা লৈরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেশন (সী বি সী) না অপলোদ তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা 'হুইয়েন লানপাউ' না মণিপুরগী পাউচেশিংগী মনুংদা 'মীদিয়ম' কেটেগোরিদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা পাউচে ওইবগা লোয়ননা কোপি মশীং খ্বাইদগী য়াম্না চৎপা পাউচেনি হায়দুনা তৌরকখিবা রিপোর্টপু তরাম্না ওক্লদুনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগী ফাউন্দর এদিটরনা মশা ঙল্লক্তদুনা লায়েং চত্থরি হায়বা তাবদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মচিন্দা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাউচে অসিগী এদিটরনা লুচিংবা মীহুৎ অনীনা হকথেংননা চৎতুনা উন্নখি অমসুং মহাক্কী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

HL-B/11203/28,1,3

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি মার্চ ৩দগী ৭ ফাওবা য়াওশঙগী প্রেস ছুটি ওইবনা মার্চ ৮ ফাওবা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

-মেনেজর

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা